# বনিয়ান রিপরটরি থিএটরগী ‘জাল্লিয়ানৱালা বাঘ’ (মঙলেন ওনখ্রবা লমজাও)

- নানি



জুলাই ২৮, ২০১৯দা জৱাহরলাল নেহরু দান্স একাদেমিগী ওদিটোরিয়মদা বনিয়ান রিপরটরি থিএটরগী অনৌবা প্রদক্সন অমা ওইনা ‘জাল্লিয়ানৱালা বাঘ (মঙলেন ওনখ্রবা লমজাও)’ হায়না মীংথোনবা প্লে অমা য়াম্না মায় পাক্না উৎখ্রে। প্লে অসি মমিং লৈরবা অইবা লৈখিদ্রবা কাংজম পদ্মকুমারনা অপিকপা ৱারেং অমা ওইনা ইরম্বনি। ৱারেং অদুদগী ডা. মখোনমনি মোংসাবনা দ্রামাটাইজ তৌরগা রিপরটরি অসিগী কে এস ঐচ ফজতোননা দিজাইন অমদি দিরেক্সন পীদুনা পুথোকপনি। তশেংনমক্কীদি প্লে অসি লিটরেচর ওইনা লাইরিক্কী লমায়শিংদা লৈরিবা অইবগী ৱাখল মীৎয়েংবু অহিংবা ওইনা ওস্থোক্তুনা ইনৌ নৌনা মীয়ামদা করি পাউজেল অমা পীবা ঙম্বগে হায়বগী চাংয়েংদা লৈখিদ্রবা ওজা কাংজম পদ্মকুমারগী সাহিত্যগী কুম্মৈ ২০১৯ হায়না মীংথোন্দুনা দ্রামা ফেষ্টিবেল অমা কোরস রিপরটরি থিএটরগী শ্রাইন প্লেহাওসতা পাঙথোকখিবা অদুদা অহানবা ওইনা উৎখ্রবনি। প্লে অসিমকসু ফেষ্টিবেল অদুগীদমক অখন্নবা পুথোকখিবনি।

অহানবা উৎখিবা অদুদগী হন্দক্কী অসিনা খরা খজিক খূৎ চঙনা শেমজিল্লগা পুথোরকই হায়বা তাই। প্লে অসিগী ৱারীসি ইন্দিয়াগী হিষ্টোরিদা য়াম্না চাউনা মফম অমা কল্লিবা তাঙ্কক অমনি। বৃটিশ লোইলম লৈঙাক্কী মখাদা লৈরিবা ইন্দিয়াগী মফম খুদিংদা পেন্দবগী ৱামৈ কয়া মকা ফোংনা চাকখৎলকপা মতম অদুদা মীওইবগী রাইটপু শিংনবা ব্লেক লো কয়া বৃটিশ লৈঙাক্না থমজিন্দুনা মীবু ফানীংবা মতমদা ফাবা, হাৎনীংবা মতমদা হাৎপা কয়াগী তমথীরবা ফীভম কয়া অদুদা পেন্নদ্রবা ইন্দিয়াগী মীয়াম পুম্নমক্না বৃটিশকী লৈঙাক্কী মায়োক্তা অফোংবা য়ানীংদবা খোঞ্জেল কয়া থোকপা হৌরকখি। মচি মচি খুদিংদা মসিগী ঈহৌ অসি য়াম্না কন্না শন্দোরকখি। মহাত্মা গান্ধীনা লুচিংদুনা অন্দোলন কয়া চথুবা হৌরকখি। মদুগী শরুক অমা ওইনা দুকান কয়া থোঙ লোনবা, বৃটিশকী লৈঙাকপু য়ানীংদবা খম থেংনা ফোঙদোক্লুবগী পঞ্জাবকী অমৃটসরগী লুচিংবা Satya Pal অমদি Saifuddin Kitchlew বু মরম চাদনা ফাজিনবীখি। মদুগী মায়োক্তা মীয়ামগী ওইবা মীফম অমা কুমজা ১৯১৯গী এপ্রিল ১৩, শিখ ফুরুপশিংদি খ্বাইদগী শেংলবা নুংঙাইরবা বৈশাখাগী নুমিৎ অসিমক্তদা অমৃটসরগী মনুংদা লৈবা পংচাউ চাউদবা জাল্লিয়ানৱালা বাঘ হায়রিবা অসিদা পাঙথোকখি। মসিগী পাউ অসি মতমদুগী কম্মান্দর Reginald Edward Harry Dyer খম থেংনা শাউখি। মীচম মীয়াম অদুগী মথক্তা মহাক্কী তৌবা ঙম্বা কয়া অদু উৎপা পামখি। মহাক্কী য়াথং অদুনা য়াল্লবা সিফাই থাজিন্দুনা মীটিং তৌজরিবা মীয়ামদা মশীং য়াল্লবা নোংমৈ মরূ কয়া কাপশিন্দুনা মীওই ১৫০০ হেন্না হাৎখি। অশোক অপন কয়া অমসু য়াওহনখি। মদুগী কম্মেমোরেসন (নীংশিং থৌরম) অমা পাঙথোকপদা লীলাসিগী ৱারী অসি নীংশিংদুনা লিরকপনি। লীলা অসি লমদম অসিদা অদুগুম্বা তু-চুংলবা থৌদোক অদু নীংশিংবগী থৌরম অমা পাঙথোক্তুনা থৱায় কৎখ্রবা অথৌবশিং অদুগী মফমদা লৈ কৎপদগী হৌরক্লগা অশিন-অরাংগী মায়কৈদগী মীয়ামদা থৌদোক অদুগী ৱারী লিখুনগা মরী লৈনবা ৱারী অদু নীংশিংবা অদুনা লীলাগী অখন্নবা মচাক ওইখি।



প্লে অসিদা সিখ কাঙলূপশিংনা থৱায় তানা য়েংখিবগী শক্তম

প্লে অসিগী মপূং ওইবা কেরেক্টর ওইনা অনৌবা য়ূম্বাল অমদা খোঙ থাংজিন্নরক্লিবা সের সিংহ অমদি রত্নবালিগী ইমুংদগী হৌরগা জাল্লিয়ানৱালা বাঘতা থোকপা মীশি মীনা কয়া অদুগী মরক্তা লোইশিনবনি। প্লে অসিগী মপূং ওইবা সিন অহুমদি Ratanabali গী য়ূম, Dyer গী ওফিস অমদি জাল্লিয়ানৱালা বাঘনি। রত্নবালিনা মপুরোইববু তল মচেৎ অমত্তা ওইরসু পীজনবা ৱানা হোৎনজবা অদু নংদনা সের সিংহ মীয়াম পূন্দুনা মীটিং পাঙথোক্কদৌরিবা মফমদা চৎখি। রত্নবালিনা ‘তল সিমতা চাবিখো’ হায়না হায়রবসু মীয়ামগী থৌদাংনা হেন্না লুই খন্দুনা ‘হোরেল হল্লক্লগা চারগে’ হায়না খুমলম্লগা চৎখিবদু রত্নবালিনা য়াম্না নুংঙাইতনা অমদি পেঞ্জদনা য়েংজ হৌই। মপুরোইববু তল মচেৎ অমা ফাওবা পীজবা ঙমখিদে। তমথীরবা থৌদোক অদুদা সের সিংহ নোংমৈনা পান্দুনা শিখি। লম্পাক অদুগী ময়াদা লৈবা য়ূমদা লৈহৌবী রত্নবালিনা থৌদোক অদুগী নোংমৈ মখোল কয়াশিং অদু য়াম্না ৱানা অমদি কিনা তাখি। মীপাইরবী মহাক্না মপুরোইবগী খোঙ্গুল লিরকখি। অদুবু লম্পাক অদুদি অশিবগী ঈতনা পুমঙাং ঙাংলবা মফমদুদা পিক থন্না লোনশিন্নদুনা তাদুনা লৈরম্মী। লম্পাক্তা থোক্লিবা থৌদোক অমদি রত্নবালিগী সিন অনীসি খাইদোক্নদনা করম্না ষ্টেজ অদু খাইদোক্লগা শীজিন্নবা য়াগদগে হায়না য়েংবা য়াই। লীলা অমদা ইনখৎখিবা টেম্পো অদু হস্থরক্লবদি সেম সিচুয়েসন অদুদা অমুক ইনখৎনবা হোৎনবা হায়বসি অৱাবা ওইনরিবনি। অদুগী ফীভম অদু লীলা অসিদা তাহন্দনা করম্না রত্নবালিগী রিএক্সন সিন অদু ইনশিনবা য়াগদগে হায়না খনবা য়াই।

থৌদোক অদু থোকখ্রবা মতুংদা রত্নবালিনা মপুরোইবা থিরকপদা হকথেংননা থেংনরিবা কয়াশিং অদু য়াম্না ইন্টরেষ্টিং ওই। এক্টর অমনা অসিগুম্বা সিচুয়েসন অমা ফংবা হায়বসি য়াম্না লাইবক ফবা অমদি মহাক্কী হৈশিংবা কয়াশিং অদু মপূং ফানা উৎথোক্নবগী তাঞ্জা অমনি হায়না লৌবা য়াই। মদু রত্নবালিনা মহাক্কী ইনর্জি অদু সিচুয়েসনশিং অদুদা কয়া য়াম্না শীজিন্নবগে হায়বসি ৱাহং ওইরি। মতম্বাক্তা মপুরোইববু কোন্দুনা কপ্লিঙৈদা নুপামচা অমগী নাহে খোঞ্জেল তারকপদা মপুরোইববু ইখেং মরক্তুদা থনম্লগা অপিকপা অঙাং অদুগী মনাক্তা চেনশিল্লকখি। অঙাং অদুনা ঈশিং হায়না কৌরকপদা মহাক তুমিন্না লৈথোকপা ঙমখিদে। লম্পাক মনুং অদুদা ঈশিং থিরকখি। লম্পাক্কী নাকলদা লৈরিবা গুহা অদুদা ঈশিং লৌবা চেল্লকপদা অশিবা হকচাংতনা গুহা অদু পিক থন্না, ঈখেংনা পুমঙাং ঙাংদুনা লৈরম্বা থেংনখি। পাম্বে লৈত্রবা রত্নবালি অঙাং অদুগী মনাক্তা লাক্তুনা চেজেৎনা কোন্দুনা অঙাং অদুগী পুন্সি কন্নবা হোৎনজখি। অঙাং অদুনা মহাকপু থাদোকপীগনু হায়না হায়রকপদা অনৌবা থৌনাগী ইনোৎ অমা মথৌ শংখি, অদুনা থম্মোয় শোক্না হায়খি, ‘ইমানা নঙবু কৈদৌনুংদা থাদোক্লোই’। অদুবু অঙাং অদুদি মহাক্কী মথাদা অরোইবা শ্বর হোনখি। মদু রত্নবালিগী থম্মোয় ফাওনা চেল্লিবা শীংলিদা থৌনা হাপ্পা ওইনা থোকখি। অহিং থেংজিল্লক্লবদা লম্বীদা চাক্তাবা শাশিংনা শাদোংশিং অদুবু মীতানা খোঙবা হৌরকপদা রত্নবালি শাশিং অদুগা লম্বানদুনা অশিবশিং অদু শংখি। চেল্লেঞ্জ অমগী মথংদা চেল্লেঞ্জ অমা লাকপা সিচুয়েসনশিং অদু রত্নবালি শারিবী এক্টরনা ইনর্জি লৈনা থেংনখি। খরগা হেন্না তৌবা য়ারিবরা য়েংবা য়ারি। এক্টরশিংদি মসি গোল্ডন চান্স অমনি। চান্স অসি কৈদৌনুংদা মাঙহন্দনা নিংথিনা চেকশিন্না লৌশিন্নবা হোৎনফম থোকই।

Repetition action গী ফজবসু লৈ, মাঙহনবসু য়াওই। কদাইৱাইদা রিপিট এক্সন তৌগদগে অমদি তৌরোইদগে হায়বসি এক্টর অমগী তঙাইফদনা চঙদবা য়াদবা অমনি। লীলাসিগী ম্যেন কেরেক্টর ওইরিবা Harry Dyer গী রিদম অমদি দাইলোগ দেলিভরি, ভোইস মোদুলেসন অমদি repetition action শিং চ্যেক তৌহন্নীংই। Given circumstances অমদা এক্টরনা শীজিন্নরিবা লাইন খুদিংমক্কী ক্লাইমেক্স অমমম লৈগনি। অহৌবা ময়ায় অরোইবা হায়বা অমা প্লেদা লৈবগুম লাইন খুদিংমক্কীসু লৈরি হায়বসি এক্টরনা খনফম থোকই। মমাঙদা ওইখিবা Hangsaraj গী এক্সন য়াম্না শাথিনা ফগৎলে, অদুবু দিরেক্টরনা কেরেক্টর অসিনা থোরকপদা পীফম থোকপা হায়লাইট অমগা লোয়ননা এক্টরগী মুভমেন্ট অদু দিভলপ তৌবা মথৌ তারিবরা য়েংশিনহন্নীংই। লীলাগী ম্যুজিক য়াম্না চেকশিনবা য়ারি, কনমল্লি, হেনজিল্লকপা য়াম্না য়াওরি। মতাং চাবসু য়াওই। ইফেক্টিভলি লীলাগা করম্না থোঙ অমা শারগা ইমোসনশিং হাপকদগে অমদি লীলাদুদা ম্যুজিকেল লেঙ্গোইজ অমা করম্না পীগদগে খন্ননীংঙাই ওইদবরা? খরা অসিনা লন্নাই ৱানি। লীলাসিদি ফজরে, বনিয়ানগী অখন্নবা প্লেশিংগী মনুং চল্লে। মসিমক্না মণিপুরী থিএটরগী অচৌবা লমায় অমা শোয়দনা কল্লগনি হায়না থাজৈ।

প্লে অসি The Prestigious 14th National Multilangual Drama Festival, Rabindra Bharathi, Hyderabad, Telangana দা ওগষ্ট ৯দগী ১২ ফাওবা চথুগদবা “Abhinaya National Theatre Festival 2019” দা শরুক য়ারুগদৌরি। হয়েং ওগষ্ট ১১দা প্লে অসি উৎনবা শেম শাবা লোইখ্রে। ইন্দিয়ন হিষ্টোরিগী লমায়দা লৈরিবা ইন্দিয়াগী নীংতম ঈহৌদা খ্বাইদগী মরু ওইরিবা অমদি ঈহৌ অদুগী টর্নিং পোইন্ট অমা ওইরিবা থৌদোক অদু নৌনা নীংশিংলুবদা মমা লৈবাক্কীদমক অনৌবা থৌনাগী ইনোৎ অমা শোয়দনা পীবা ঙম্লগনি হায়না থাজৈ।



## থাজবরা, থাজদবরা? অঙকপনা থল্লবা মালেম



- খোঙ নাম্মা থাংগৎপদা মশল ৪০ অদুগা চৎপদনা মশল ২০০ শীজিন্নে।
- মালেমদা খ্বাইদগী ঈংবা, নুংশিৎ খ্বাইদগী শীৎপা, খ্বাইদগী ৱাংবা অমসুং খ্বাইদগী কংবা কনিটনেন্টটি অন্টার্ক্টিকানি।
- মীওইবা খুদিংমক ফমুংদা তূমদুনা লৈরবসু পুংদা মাইল ৬৬,৬০০ (পুংদা কিলোমিটর ১০৭, ১৮২) য়াঙনা নুমীৎকী অকোয়বদা উংলিবনি।
- নুমীৎ খুদিংগী উফুল মকুপ টন ১০০ দগী টন ৩০০ ফাওবা মালেমগী ঈশিং নুংশিৎকী কুয়োম ফাওজিল্লকই।
- চহী খুদিংগী মালেমদা য়ুহার হাবগী থৌদোক ৫০০,০০০ রোম থোকই। মসিগী মনুংদা মীয়াম্না খঙবা ঙম্বদি ১০০,০০০ রোমতনি। য়ুহার হাবগী থৌদোক ১০০ রোমদি অমাঙ-অতা থোকহল্লি।
- মালেমগী অতৈ অতোপ্পা মফমগা য়েংনবদা কেনাদাগী মফম খরদা গ্রেভিটি (মালেমগী চিংশিনবগী মতীম-ময়াই) গী চাং হন্থে। থৌওং অসি কুমজা ১৯৬০ গী পরিংদা খঙলকখিবনি।
- থম্মোয়না পুং অমদা থাদোক থাজিন তৌরিবা ঈগী চাংগা মীওই অমনা নুমিৎ খুদিংগী থা মরি চূপ্পা থক্লিবা ঈশিংগা চাং হাইরপ মান্নে।
- ঈ মরীক অমা হায়বসি কয়ামুক য়াম্না চাউবগে হায়ববু শুপ্পগী ঈ মরীক অমখক্তা হ্বাইট ব্লদ সেল ৪০০,০০০ রোম য়াওই।
- কনাগুম্বা মীওই অমগী মায়দা মশল ৩৪ য়াওই। মীওই অদুনা করিগুম্বা পোৎশক অমদা চূপ্পা মতমদা হায়রিবা মশলশিং অদু লোইনা মথৌ তৌই।
- চাংচৎতা মীওই অমগী নাতোন্দগী নুমিৎ খুদিংগী অনঙবা নৎত্রগা অরাঙবা মহী লিটর অমগী ময়াদা থাদোরকই। থোরকইবা মহী অয়াম্বা খৌনাউ রোমদা অমুক হনজিনখ্রগা য়োৎশিনখি। থৌওং অসি ইশানদি থোইদোক্না খঙজদে। ঐখোয়না অঙ্গৈংবা নুংশিৎ মরক্তা নিংশা শ্বর হোনবা মতমদা নাতোল মনুংদা অনঙবা মহী পুথোকপগী চাং ৱাংখৎলকই। অদুবু পুথোরকইবা মহী অদু মনিং হন্দুনা খৌনাউরোমদা চঙখিবগী মহুৎ নাতোনলোমদা ওইনা থোরকই। মরম অদুনা অঙৈংবা মতমদা নাতোলদগী মহী য়াম্না থোরকইবনি।
- অয়াম্বা মতমদা মীওই চাদা ৮৫ রোম্না নাতোল মখুল নাম্মখক্তদা নিংশা শ্বর হোল্লি। য়াম্না নুংঙাইরিবা ৱাফমদি নাতোল মখুল নাম্মখক্তদা নিংশা শ্বর হোনবগী থৌওং অসি নাকল নাম্ম-নাম্ম অমুক মুক শিন্নরগা তৌবসিনি। মী-মী খেন্নবগী মতুং ইন্না খেন্নবা খরমখৈ লৈজরবসু মীওই অয়াম্বা নাতোল মখুল নাম্মখক্তনা নিংশা হোল্লম্বদগী ঙাইহাক লৈরগা অতোপ্পা নাকল অদুখক্তনা অমুক হোল্লি। অমুক্কা হেন্না নুংঙাইরিবদি নিংশা শ্বর হোনবগী মওং মতৌনা হকচাংগী মথৌদা অচৌবা শাফূ অমা পী। খুদম ওইনা ওয় থংবা নাতোল মখুলনা নিংশা শ্বর হোল্লবদি ঈদা য়াওবা চিনিগী চাং হেনগৎলকই। য়েৎ থংবা মখুলনা হোল্লগনা হনথরকই। অমরোমদা ওয় থংবা মখুলনা নিংশা শ্বর হোল্লবদি ব্রেনগী য়েৎথংবা শরুক এক্টিভ ওইরকই। অদুগা য়েৎ থংবা মখুলনা হোল্লগনা ব্রেনগী ওয় থংবা শরুক এক্টিভ ওইরকই। ক্রিএটিভ ওইবা অনৌ অনৌবা ৱাখল খনবগী থবক পুম্নমক ব্রেনগী য়েৎ থংবা শরুক্না তৌই। অদুনদি মতাং মতম অমসুং মথৌ তাবগী মতুং ইন্না নিংশা শ্বর হোল্লবদি ঐখোয়গী থবক অয়াম্বা ফনা য়াম্না খুমাঙ চাউশিনহনবা ঙমগনি।

## চীঞ্জাক্না খ্বাইদগী ফবা হীদাক্কি - লায়না কয়ামরুম ঙাকথোকপা ঙল্লিবা কীহোম

কীহোম হায়রিবা উহৈ অসি Bromeliaceae ফেমিলিগী মনুং চল্লি। হৌরকফম অমেরিকা ওইবা তারবসু কুমজা ১৬০০ গী অদুৱাইদা য়ুরোপিয়নশিংনা ইহান হান্না থেংনরকখিবনি।

আইস ক্রীম অমদি শেক শেম্বদসু শীজিন্নবা উহৈ অসি মনম নুংশিরিমখৈ মহাউ লৈবা হেল্লি। ভিটামিন মরাং কায়না য়াওবা উহৈ অসি চাং নাইনা চারবদি হকচাংদা অসুক্কী মতিক কান্নবা পী।

সাইন্নসাইটিস, অরথ্রাইটিস, চাবা তুমদবা, চাকখাউ অমদি ইন্টেষ্টাইনদা ইনফেক্সন তৌবনচিংবা মখল কয়াগী লায়নাশিং ঙাকথোকপগা লোয়ননা শরু অমদি কনেক্টিভ টিস্যুশিংগী মপাঙ্গল কলহল্লি।

মেনগনিজ য়াওবতা নত্তনা এন্টি ইনফ্লেমেটরি ওইবা মগুন চেনবা মরম্না চহী য়াল্লবা অহলশিংনা চাং নাইনা কীহোম চারবদি অরথ্রাইটিসকী চৈনাখোল খরমখৈ হন্থহল্লি। মহী ওইনা শুল্লগা চাং নাইনা থক্লবদি খৌনাউদা লোক ফুনবা ফহল্লি। ভিটামিন সি মরাং কায়না য়াওবনিনা লংসসু শেংদোকই।

কীহোমগী অতোপ্পা কান্নবা অমনা ঈ খকহনবা ঙম্বসিনি। মহৌশানা





এসিদিক ওইবা মরম্না কীহোম চাং নাইনা চারবদি য়া তীন চাহন্দে অমসুং য়ারী য়াখোঙ চেৎশিলহল্লি। মীরোনবী নুপীশিংগী নুংঙাইবা পাউ অমনা চামৌবা ফহনবগী মতাংদনি।

কোলেষ্টরোল অমদি ফেটকী শরুক শুকয়াও য়াওদবা কীহোম মপুম অমা চাবদা কেলোরি ৮০, ফাইবরগ্রাম ২ অমদি প্রোটিন গ্রাম অমা ফংই। মসিদসু নত্তনা নোংমগী মথৌ তাবা ভিটামিন সিগী চাং চাদা ৪০, থিয়ামাইন চাদা ১০, ভিটামিন বি-৬ চাদা ৮, মেগনেসিয়ম চাদা ৬, লোয়ননা রাইবোফ্লেবিন, ফোলেট, নিয়াসিন অমদি আইরন চাদা ৪ ফংবা ঙম্মী।

ভিটামিন সি য়াওবা মরম্না কীহোম চাং নাইনা চারবদি ইম্যুন সিষ্টম কনখৎহন্দুনা থম্মোয়গী লায়না, গাওট, কেন্সর, ঙৌদোং অমদি ষ্ট্রোক্নচিংবা ঙাকথোকই। কীহোমদা য়াওবা ভিটামিননা ব্লদ প্রেসর ৱাংখৎহন্দবগা লোয়ননা দাইবেটিসতগী ঙাকথোকই হায়না লিনস পোলিং ইন্সটিট্যুটকী রিপোর্ট অমনা ফোঙদোকখি। য়ুনিভর্সিটি ওফ মেরিলেন্দ মেদিকেল সেন্তরগী রিপোর্ট মতুং ইন্না কীহোমদা য়াওবা ব্রোমেলিয়ন কৌবা এঞ্জাইম অমনা চাবা তুমহল্লি, অশোকপা ওইশিলহল্লি, লোয়ননা সাইন্নসাইটিস অমদি অরথ্রাইটিস ফহনবদা মতেং পাংই হায়রি।

## মকোক থোংবা হোলিৱুদ এক্ট্রেসশিং

মোনিকা বেলুসি



হোলিৱুদ এক্ট্রেস অমসুং ফেশন মোদেল মোনিকা বেলুসি কুমজা ১৯৬৪ গী সেপ্তেম্বর ৩০ দা ইটলিগী অম্ব্রিয়াদা পোকখি। অপোকপগী মীং পাসক্কেল বেলুসি অমসুং অপোকপীগীনা ব্রুনেলা ব্রিগান্টি কৌই। পলেম-পন্থৌ অনীগী নাইতোম পোকচবী নীংঙোল অসি য়াম্না নৌনা মশাগী চহী ১৩ শুরকপদগী মোদেল্লিংদা খোঙদারকখি।

কুমজা ১৯৮৮ দা মহাক্না য়ুরোপকী মরু ওইবা ফশন সেন্টর অমা ওইরিবা মিলনদা চৎতুনা ইলাইট মোদেল মেনেজমেন্টকা কোন্ট্রেক্ট অমা সোই তৌনখি। কুমজা ১৯৮৯ দদি মহাকপু পেরিস অমদি ন্যুয়োর্ক সিটিদা ফেশন মোদেল অমা ওইনা মীয়াম্না খঙনবা হৌরক্লে। চহীদুমক্তদা মহাক এক্টিংগী শিনফম লোমদা মায় ওনশিল্লক্তুনা এক্টিংগী ক্লাস য়াওবা হৌখি।

কুমজা ১৯৯১ দা মহাক রোল মচা-মশু খরা ফংদুনা “লা রিফা” অমদি “ব্রেম ষ্টোকর’স দ্রাকুলা” দা শক্তম লাংখি। কুমজা ১৯৯৬ তা “দ এপার্টমেন্ট” ফিল্মদা লিজাগী শক্তম লাংখিবগীদমক সিজার এৱার্দ ফোর বেষ্ট সপোর্টিং এক্ট্রেসকী নোমিনেশন ফংখি।

“মালেনা”, “ব্রদরহুদ ওফ দ ৱুলফ”, “অন্দর সস্পিসিয়ন” অমদি “ইরিভরসিবল” দা কুমখিবদগী মহাকপু মালেমগী মীয়াম্না পাম্নবা হৌরকখি। মতুং তারকপদা মহাক্না “টিয়রস ওফ দ সন”, “দ মেট্রিক্স রিলোদেদ”, “দ পেসন ওফ দ খ্রাইষ্ট”, “দ ব্রদরস গ্রিম”, “শুট দেম অপ”, “দোন্ট লুপ বেক” অমদি “দ সোর্সরর’স এপ্রেন্টাইস” তা শক্তম লাংখি।

মোনিকা বেলুসিনা “দ এপার্টমেন্ট” ফিল্ম কূম্বদা থেংনখিবা ফ্রেঞ্চ এক্টর ভিন্সেন্ট কেসেলগা কুমজা ১৯৯৯ দা পুন্সি লৈপুন শেমদুনা মচানুপী অনী ফংজরে। অদুবু কুমজা ২০১৩ গী ওগষ্ট থাদা মখোয় অনী খাইনরে হায়না ফোঙদোরকখি। মহাক ইটালিয়ন নেশনেল সিন্দিকেট ওফ ফিল্ম জর্নেলিষ্ট এৱার্দ অমদি গোল্ডন গ্লোব এৱার্দ ফংখিবগা লোয়ননা সিজার এৱার্দ, য়ুরোপিয়ন ফিল্ম এৱার্দ, সেটর্ন এৱার্দ, সিনেস্কেপ সেন্টর ফেস ওফ দ ফ্যুচর এৱার্দ, দেবিদ দি দোনাটেলো এৱার্দ, টিন চোইস এৱার্দ অমদি এম টি ভি মুভি এৱার্দকিনা নোমিনেশন ফংখ্রে।

মহাক্না কুমখিবা ফিল্মশিংগী মনুংদা মমিং পনবা য়াবদি “দ এপার্টমেন্ট”, ‘মালেনা”, “ব্রদরহুদ ওফ দ ৱুল্ফ”, “দ মেট্রিক্স রিলোদেদ এন্দ দ মেট্রিক্স রেভল্যুশন, “দ মেত্রিক্স রিলোদেদ এন্দ টিয়রস ওফ দ সন” অমসুং “দ পেসন ওফ দ খ্রাইষ্ট” অসিনচিংবনি।

## ঙসিগী রাশি ফল

অইবা : ডো. ৱাংখেম জীবোল সিংহ
চীংমৈরোং, ইম্ফাল।

তাং ১১।০৮।২০১৯, নোংমাইজিং, অয়ুক পুং ১০.৫৫ ফাওবা থৱানগী ১১নি পাল্লি, মতুং ১২নি পানগনি।

মেষ : ইমুং-মনুং লোয়নবা থবক পাংগনি, নচাক-নরলসু চাওখৎকনি, লৈতেং ফংগনি। মরুপ-মপাংগা শাউনবা অমদি নোল্লুকপা হৈত্রদি শাউনবা লৈগনি।
লৈশা পাখংশিংগী - নুংশিবনা চানগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা।

বৃষ: ঙাঙ-শকপা অমদি থবক থৌওং হৈবনা লেমজনফম ওইবা মীংচৎ ফংগনি। অশাউবা, চাদিং হেনবা অমদি ইমুং-মনুং ৱা তানবা ৱাৎপনা নুংঙাইতবদি লৈগনি।
লৈশা পাখংশিংগী - হেন্না অশা চাউবদি ফরোই।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙৌবা।

মিথুন : নীংবা থুংবা, লন হেনগৎপা, মীচং হেনগৎপা, লল্লোন-ইতিক্তা মীকোক থোংবা নুমিৎনি। অরিবা থবক্কী লম্দা য়েক্নবা চাওখৎতনবা ৱাঙাঙ হৈয়ু।
লৈশা পাখংশিংগী - নীংজবা ফংগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ নাপু।

কর্কট : হকচাং নুংঙাইবা, লাইবক ফবা, মরুপ-মপাং অমদি শেল ফংবা নুমিৎনি। অনৌ-অনৌবা থবক্তনা হেন্না মায় পাক্কনি। নক্নবনা নমথাক তৌবিবা য়াবদি লৈ।
লৈশা পাখংশিংগী - নুংশিবনা চাল্লি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অশংবা/কিসমিস।

সিংহ : খোইরাংবা অমদি হকচাংসু কয়া নুংঙাইতবনা থবক ইপাং পাংলোই। হেন্না আশা তৌদ্রদি থোইনা নুংঙাইতবা লৈরোই। পল্লম্বা লন ফংবগী নুংঙাইবা লৈ।
লৈশা পাখংশিংগী - নাপল থাদোকউ।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা।

কন্যা : অনীংবা থবক্তি পাংবগী ইকাই খুম্নবা ফংগনি, অনা-অয়েক কোকচৈ অমদি নিংথিনা খন্থরদি পোরম য়াৎপা হৈগনি। য়েক্নবনা য়েংশিনবদি লৈ-ফিংগনু।
লৈশা পাখংশিংগী - নীংবা মপা চারোই।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা।

তুলা : মরুপ-মপাংনা চানগনি, অফবা লন অমদি লৌশিং ফংগনি। অচুম-অরান থিদনা মায় পাক্নবা হোৎনবদি তুংদা ফরোই লোয়ননা মীৱা লৌবনা মাঙজগনি।
লৈশা পাখংশিংগী - নুংঙাইবা ফংগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক/থোইদিং অমুবা।

বৃশ্চিক : অনম তানগনু নথক থোংবগা য়েংথিনগনি অমদি মীনা হুন্দুনা ঙাঙবীবা য়াবা লৈ। অকিবা য়াওদনা থৌনা ফুদোক্না চংশিনবদদি মায় শোইদনা পাক্কনি ।
লৈশা পাখংশিংগী - নুংশিবা ফংজৈ।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা।

ধনু : মায় পাকপা, ওইজ-ওইথক ফংবা, নচা-ননাইগী লমদা পেঞ্জবা অমদি অনীংবা থবকসু পাংবা ঙম্বা য়াইফবা নুমিৎনি। ইমুং-মনুং ৱা তানবা য়াম্না কান্নগনি।
লৈশা পাখংশিংগী - নুংশিবা ফংগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা।

মকর : লৌশিংনা শমু ফাবগুম অফবা ৱাখল্লোন্না থৌপাংগনি অমদি ওইজ-ওইথক ফংগনি। চিন য়াংলবা অমদি অশাউবনা মাঙওইনরদি ইকাইবা নংগনি।
লৈশা পাখংশিংগী - খাংবা কনবা ফগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অশংবা/কিসমিস।

কুম্বা : লাইবক ফবনা কান্নবা খরদি শোইদনা ফংগনি, নীংবা মপা চাবা অমদি অশা চাউবগী কান্নবা ফংগনি। অদুবু মীতোপকী ৱাদি লৌগনু, নচাক-নরল চেকশিল্লু।
লৈশা পাখংশিংগী - নীংবা থুংগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা।

মিন : নোল্লুক্নদা চৎলু মায়থিবা লৈরোই, থবক পাংগনি, মীয়াম্না চানগনি অমদি মীরক চংলগা হেন্নসু নুংঙাইজবা ফংগনি। ৱানোম থৌনোম কান্নগনি-চিংনগনু।
লৈশা পাখংশিংগী - নীংবা থুংগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ/চিনি অঙাংবা।

থৌনি পোৎলমশিং অসি ইশানা নীংজবা লাইদা কৎপীয়ু মহয় ফংগনি।